থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

সনা লৈবাক্তা এন এস দি দিগ্রিগী চন্নফম

ইন্দিয়া (হিন্দুস্থান) হায়বা লৈবাক অসি, আ মথায় থায়না মমাংঙৈদই হৌদুনা অমত্তা ওইবা অচৌবা লৈবাক অমা কৈদৌঙৈদা ওইরক্তে। লৈবাক মচা মচাগী নিংথৌ মচা মচা লৈরম্মী। নিংথৌ (রাজা) মচা মচা খরা লাকশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা লৈবা নিংথৌরেল (মহারাজ/ইমপেরর/সম্রাৎ) অমসু লৈরম্মী। অদুগুম্বা অকনবা, মবুদ্ধি-মরৌশিং লৈবা মমাংঙৈগী নিংথৌ ‘ভারত’ (দুস্যন্ত অমসুং শকুন্তলাগী মপারী) অদুনা লৈঙাক্লম্বা নিংথৌ কয়াগী নিংথৌরেলদুগী লমদমদুনি ‘ভারতবর্য’। মতমদুগী ‘ভারতবর্য’ অদুদি নত্তে ঙসিগী ‘ইন্দিয়া’। মীরৈবাক্কী নিংথৌরেল কয়ানা মায়থীবা পীদুনা খুদুম চল্লগা মচেৎ মচেৎ থুগায়রম্লবা লৈবাক্তু ব্রিটিসশিংনা লল্লোনবা ওইনা লাক্লগা পোলিটিকেল পাৱর পায়শিল্লগা ‘ব্রিটিস ইন্দিয়া’ হায়দুনা শাগৎলম্বা পোলিটিকেল এনটাইটি অদুনি ঙসিগী ‘রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়া’। ব্রিটিস রুলদগী নীংতমহৌবা ইন্দিয়া-অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিত জৱাহরলাল নেহরু, মান্নদবা ফুরুপ ময়ামগী মান্নদবা কলচরদুদা ঙাওজখি। মুহম্মদ ইকবালনা ইরম্বা ‘সারে জহাঁসে অচছা হিন্দুস্থান হমারা’ হায়বা ঈশৈদু ‘নেসনল সোং’ ওইহনখি। ইন্দিয়ন কলচর য়োকখৎনবা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি, সাহিত্য একাদেমি অমদি ললীতকালা একাদেমি মথং মথং লীংখৎখি। পন্দিত নেহরুনা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমিগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ ১৯৫৫দা থিয়েটরগী অখন্নবা সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুসন অমা লিংনবা ৱা খন্নখি (১৯৫৪দা পাঙথোকখিবা সেমিনার অমদগী আইদিয়া লৌদুনা)। মণিপুর দ্রামাতিক য়ুনিয়নগী হাওরং লৈশঙ শাফবী’না মনা ফংলকখিবা ফেষ্টিভেলদুদা পাঙথোকখিবা সেমিনারনি। স্কিম অমা দ্রাফট তৌখি। মদুগী মহয় ওইনা, ১৯৫৯দা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমিগী মখাদা ‘নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা’ লিংখৎখি। মতমদুদা ভারতিয়া নাত্য সংঘ’না য়ুনেস্কোগী শেন্থং মখাদা চল্লাইবা ‘এসিয়ন থিয়েটর ইন্সটিট্যুট (এ টি আই) কৌবা অমা লৈরম্মী (১৯৫৮ জন্যুৱারী ২০দা লিংখৎখিবা)। এন এস দি লিংখৎলবা মতুংদা ‘এ টি আই’, সঙ্গিৎ নাটক একাদেমিনা লৌশিনখি, অমত্তা ওইনা পুনশিনখি। এ টি আইগী ট্রেনিশিং য়াওনা, এন এস দিগী অহানবা বেটচ ১৯৬১দা পুথোকখি। ১৯৭৫দা ওটোনোমস ওইবা (মদোম মরোমদোম লেপচরবা) ওর্গনাইজেসন অমা ওইরকখি, সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন এক্ট, ১৮৬০গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা ফাইনান্স তৌবা। ১৯৬২দগী ১৯৭৭ ফাওবা দাইরেক্তর ওইনা থৌ পুরমখিবা ইব্রাহিম অলকাজিগী মতমদা স্কুল অসিগী মরু ওইবা বেসিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর মওং তানা শেমগৎলম্বতা নত্তনা মমুৎ তাবা, কমপ্রিহেন্সিব ওইবা, নীংথিনা প্লান তৌরবা সেল্লেবস শেমদুনা লমদম অসিগী মমুন ফারবা এক্টর, দিরেক্টর অমদি থিয়েটর মেকর কয়া ট্রেনিং তৌদুনা পুথোক্লম্বগী ক্রেদিৎ পীনৈ। লমদমসিগী তাংলবা থিয়েটর তেলেন্ত কয়া ট্রেনিং পীদুনা পুথোকপগীদমক্তা মালেমদা মমিং চৎলবা ইন্সটিট্যুট অমা ওইরিবা এন এস দি, ১৯৯৯দগীদি ‘ভারত রঙ্গ মহোৎসব’ হায়না মিংথোনবা নেসনেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল অমা শিনবা হৌরকখি। ঙসিদি মালেম শীন্না মমিং চৎলবা ‘ইন্টর্নেসনল থিয়েটর ফেষ্টিবেল’ অমা ওইরে। ইকনমিক লিবরেলাইজেসন অমদি গ্লোবেলাইজেসনগী চৈথেং, দিজিটেল রিভোল্যুসন, ফিল্ম অমদি ভেলিভিজননা থিয়েটরদা পীরক্লিবা চৈফু, থিয়েটর এক্তিভিজমনা ইন্দিয়াদা মরাই চায়থরকপনচিংবা অসি কনাগুম্বনসু হায়... মীরৈবাক্কী থিয়েটর গ্রুপ কয়াবুসু বার্ত্তন তৌদুনা য়াম্লবা শেনফম থাদদুনা পাঙথোক্লিবা থিয়েটর ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবা অসি তোক্লগা ট্রেনিংলোমদা মায় ওনশিনবনা হেন্না ফবা থৌশিল ওইগনি। ২০০৫, মার্চ ১৮তা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অমনা ‘দিম য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা ইনখৎলুরবা এন এস দি, ২০১০দা এন এস দি সোসাইতি’না স্কুল অসিগী ওটোনোমি মাঙবতা নত্তনা থিয়েটরগুম্বা ক্রিয়েটিব ফিন্দ অমদা তঙায়ফদবা ফ্লেক্সিবিলিটি, প্রোফেস্নেল ট্রেনিং পীবদা অকায়বা লাক্কনি য়েৎলকপদগী ফিরেপ্তু অমুক হন্দোকহনখি। অমল অলানা, অনুপম খের, অনুরাধা কপুর, অন্নু কপুর, বি ভি করন্তা, ইরফান খান, নাশিরউদ্দিন সাহ, নীনা গুপ্তা, ওম পুরি, রাজ বব্বর, রতন থিয়াম, রোহিনি হিতঙ্গদি...নচিংবা ইন্টর্নেসনল সেলিব্রিটি কয়া পুথোকখ্রবা নেসনল স্কুল ওফ দ্রামাগী দিপ্লোমা অসি পায়রগা মখোয়না তৌগদবসি করিনো? ঙসি ফাওবা কনামত্তদগী অপেনবা পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং অমনি। ১৯৮৪ ফাওবদি ক্লাস তুয়েল্ব পাস তৌরগা তম্বা য়ারম্বা এন এস দি দিপ্লোমা (চহী অহুম)গী কোর্স য়ুনিভর্সিটি গ্রেজ্যুয়েৎ অমগা থাক মান্নরম্বা (ইক্কিভেলেন্ট ওইরম্বা) অদু ১৯৮৫ দগীদি য়ুনিভর্সিটি গ্রেজ্যুয়েৎ অমা ওইদ্রবদি চঙবা য়াখিদ্রে। হায়বদি, এন এস দি দিপ্লোমা, মাষ্টর্স দিগ্রি অমগা মান্নরে। অদুবু, সরকারগী থবক চঙনবগীদমক্তী ওজা ওইবগী শিনফমদতমক চঙবা য়াগনি হায়বসিমদি ময়েক শেংনা পল্লি। য়ুনিভর্সিটি নত্রগা স্কুল/কোলেজ/ইন্সটিট্যুসন অমদা দ্রামাতিক আর্ট/থিয়েটর তম্বীনবগীদমক্তী এন এস দি গ্রেজ্যুয়েৎ, অতৈ গ্রেজ্যুয়েৎশিংদগী অহেনবা দিজাইরেবল ক্বালিফিকেসননি।

মরম অসিনা, নেসনল স্কুল ওফ দ্রামাগী দিপ্লোমা পায়রবা মী (নুপা/নুপী) চামগী মদুংদা য়াঙখৈদি কোর্স হেক লোইবগা মুম্বাই (বোম্বে) মায়কৈ তল্লকই। মরমদি, হিংনবগী পাম্বে, অমদা নত্রগা অমদা, ফংনবগী পাম্বে, মফম (সহর) অসিদা ফংলিবসিগুম মফম অমত্তদসু ফংলোই-পুম্নমক্লা খঙই। মায় পাক্লবা, শক্লাইরবা থিয়েটর প্রোফেস্নেল নাসীরউদ্দিন, ওম পুরি, অনুপম খের, নৱাজউদ্দিন সিদ্দিকিনচিংবা (ফিল্ম পর্সোনেলিটিসু ওইরবশিং) সিনা হায়... ‘এন এস দি দিপ্লোমা অসিনা গভর্ণমেন্টকী থবক অমা ফংনবগী গরেন্টি অমদি শুকওই ওইরোই... অদুবু মফমদুদা ট্রেনিং ফংলক্লবা প্রোফেস্নেল অমনি হায়রবদি হোৎনবা কনবা কনাগুম্বা অমগী মফমদদি, মায় পাক্লা হিংনবই কৈরাক অমা কানবগীদমক্তী অরায়বা পাম্বে অমদি শুকশোই শোইদনা পীরক্কনি। অদুবু সনা থোক্তবা সনা লৈবাকসিদদি এন এস দি দিগ্রিনা সনাগী কৈরাক ওইরসু কৈরাক অদু থাফমদি মফম কৈদসু লৈররোই। হোয় ! স্কুল/কোলেজ-করিক্যুল্লমদা থিয়েটর/দ্রামা-সবজেক্ট অমা ওইরক্লবা কান্দদি আশাগী মঙাল অমা লাক্কদ্রা !

লৌশিং পুক্কে

বেক্তিরিএল অমদি ভাইরেল ইনফেক্সনগী খেন্নবা-২



ইনফেক্সনশিং মতৌ করম্না দাইগ্নোস তৌবগে?

করিগুম্বা মতমদা নারিবা মীওই অদুগী মেদিকেল হিষ্ট্রি অমদি লাইওংশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা দোক্তরনা অনাবা অদু দাইগ্নোস তৌবা ঙম্বা য়াই। খুদম ওইনা মিজল্স নৎত্রগা চিকনপোক্সকুম্বা লায়নাশিংদি ইচম চম্বা ফিজিকেল এগজামিনেসন তৌরগা দাইগ্নোস তৌবা ঙম্মী।

মসিগীসু মথক্তা, লাইচৎ অমা শন্দোক্লিঙৈ মতমদা ওইরগদি দোক্তরনা দাইগ্নোস তৌবা মতমদা লাইচৎ অদুগা মরী লৈনবরা হায়নসু য়েংগনি।

নারিবা মীওই অদুবু নাহল্লিবা লায়না অদু করম্বা মখলগী ওর্গানিজমনা থোকহনবনো হায়বদু খঙবা পাল্লবদি, দোক্তরনা কলচর তৌনবগীদমক সেম্পল লৌবা য়াই। ওইরম্বা য়াই হায়না খনবা লাইনা অদুগী মতুংইন্না লৌগদৌরিবা সেম্পল অদু খেন্নগনি, অদুবু সেম্পলশিং অদুগী মনুংদা-ঈ; ম্যুকস নৎত্রগা স্পুটম; হক্কী ঈশিং; অমাংবা; উনশা; সেরেব্রেল স্পাইনেল ফ্লুইদ (সী এস এফ) অসিনচিংবশিং য়াওবা য়াই।

মাইক্রোওর্গানিজম অমা কলচর তৌবা মতমদা, অনাবা অদু করিনা থোকহনবনো হায়বা দোক্তরনা খঙবা ঙমই। বেক্তিরিয়ল ইনফেক্সন ওইরগদি অনাবা অদু করম্বা এন্টিবাইওটিক্না ফহনবা ঙমগদগে হায়বা খঙদোকপদা মতেং পাংই।

করম্বা ইনফেক্সনশিংবু এন্টিবাইওটিক্না লায়েংবগে?

এন্টিবাইওটিক হায়বসি বেক্তিরিয়ল ইনফেক্সনশিংবু লায়েংবদা শীজিন্নবা হীদাকনি।

এন্টিবাইওটিক মখল কয়ামরুম লৈ, অদুবু মখোয় খুদিংমক অদুনা তৌরিবা মথৌদি বেক্তিরিয়ানা নীংথিনা চাউখৎলকপা অমদি মচা পোল্লকপবু থিংবা হায়বসিনি। এন্টিবাইওটিকশিং অসিনা ভাইরেল ইনফেক্সনদি ফহনবা ঙমদে।

এন্টিবাইওটিক হায়বসি বেক্তিরিয়ল ইনফেক্সন তৌরবা মতমদতা শীজিন্নগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরগসু কনাগুম্বনা এন্টিবাইওটিক অসি ভাইরেল ইনফেক্সনশিংগীদমক্তসু তোয়না শীজিন্নবা য়াওই। মসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাইনি মরমদি এন্টিবাইওটিক লান্না শীজিন্নবনা এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স থোকহল্লকপা য়াই।

এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স হায়বসি বেক্তিরিয়ানা অকক্লবা এন্টিবাইওটিক মখল খরদা হিংদুনা লৈবা ঙল্লকপা মতমদা থোক্লকই। মসিনা বেক্তিরিয়ল ইনফেক্সন কয়া লায়েংবদা ৱাবা ওইরকই।

করিগুম্বা দোক্তরনা বেক্তিরিয়ল ইনফেক্সন অমগীদমক এন্টিবাইওটিক প্রিস্ক্রাইব তৌরক্লবদি অপীবা মতম অদু শুনা এন্টিবাইওটিক অদু চাগদবনি। এন্টিবাইওটিক অদু চাবা হৌগৎলকপা নুমিৎ খরনিদা অনাবা খরা ফরক্লে হায়না খল্লগসু নুমিৎ শুদ্রিফাওবদি চাবা তোকপা য়াদে। মতম শুনা চাদ্রবদি পেথোজেনিক বেক্তিরিয়াশিং অদু মপুঙ ফানা হাৎপা ঙমদে।

ভাইরেল ইনফেক্সনশিং মতৌ করম্না লায়েংবগে?

ভাইরেল ইনফেক্সন কয়া অমদি অকক্লবা লায়েং মখল লৈতে। ভাইরেল ইনফেক্সনগী লায়েংদি ঐখোয়গী হকচাংনা ইনফেক্সন অদু ফহন্নবা মশানা হোৎনজরিঙৈ মতমদা লায়না অদুগী সিম্পটোমশিং ফহন্নবা হোৎনবনা ওইগল্লি। ভাইরেল ইনফেক্সনগীদমক চথুবা লায়েংশিংগী মনুংদা- দিহাইদ্রেসন তৌরক্তনবগীদমক মহী-মনায় মরাঙ কায়না থকপা; মরাঙ কায়না পোত্থাবা; ওভর দ কাউন্টর হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নবা- খুদম ওইনা লাইহৌ, কোক চীকপা, হকচাং থীন্দোকপা ফনবগীদমক পেরাসিটামোলগুম্বা চাবা; নাতোন ফুনবা নৎত্রগা নাতোন মহী চেনবা ফনবগীদমক ওভর দ কাউন্টর হীদাক শীজিন্নবা; খৌনাউ নাবা ফনবগীদমক থ্রোট লোজেঞ্জ (খুদম ওইনা ষ্ট্রেপ্সিল) শীজিন্নবা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

করিগুম্বা ফিভম খরদদি, অনাবা অদু লায়েংবদা মতেং পাংনবা দোক্তরনা এন্টিবাইরেল মেদিকেসন প্রিস্ক্রাইব তৌরকপা য়াই।

ইনফেক্সনশিংদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে

বেক্তিরিয়ল নৎত্রগা ভাইরেল ইনফেক্সননা নাহল্লকপদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংনবগীদমক মখাদা পীরিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি ইনবা য়াই। মখোয়শিং অদুদি:

হকচাং লু লান্না লৈবা (হায়জিন)—চারমদাই, বাথরুম চঙলুরগা, অমদি চানবা চীঞ্জাক শেম শারমদাই মমাঙ অমদি মতুংদা খূৎ শোয়দনা হামগদবনি; অমোৎপা খূৎনা মায়, চীন অমদি নাতোনদা শোক্লোইদবনি; ঈশানা শীজিন্নবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা- চাক চাবগী কোল-লীক, গ্লাস, টুথব্রসনচিংবা অতোপ্পা মীওইশিংগা পুল্লোইদবনি;

ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি— ভাইরেল অমদি বেক্তিরিয়লগী ওইবা অনাবা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন কয়া লৈরে। ভেক্সিন শীজিন্নদুনা ঙাকথোকপা ঙম্বা লায়না খরা খুদম ওইনা হায়রবদা মিজল্স, ইনফ্লুয়ঞ্জা, টেটানস, হুপিং কফ পনবা য়াই।

হকচাং নুংঙাইত্রবদি য়ুমদগী চৎথোক্লোইদবনি— হকচাং ঙমদ্রবদি ঈশানা নারিবা ইনফেক্সন অদু অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোক্তনবগীদমক য়ুমদা লেঙদনা লৈগদবনি। করিগুম্বা তঙাইফদনা মপান থোকপা তারগদি খূৎ তোয়না হামগদবনি অমদি হাকথী খনবা নৎত্রগা লোক খূবদা খূৎকী খুনীং মপাগী থেকচিনবা শরুক্না নৎত্রগা টিসু অমা শীজিন্নদুনা চীন খুমগদবনি। শীজিন্নবা লোইরবা টিসু মওং চুম্না দিস্পোজ তৌগদবনি।

য়ূম্বান মরী থম্বদা চেকশিনগদবনি — য়ূম্বান মরী থম্বা মতমদা কোণ্ডোম নৎত্রগা অতোপ্পা মান্নবা মখলগী মেথদশিং শীজিন্নবনা সেক্সুয়ল্লি ট্রান্সমিটেদ দিজিজ (এস টি দি) শিং শন্দোকপদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। সেক্সুয়ল পার্টনর মশিং অকক্লনা থম্বনা এস টি দিগী রিস্ক হুন্থহল্লি।

চানবা পোৎলমশিং থোংবদা শোয়দনা মুলহনগদবনি— শা-ঙা টেম্পরেচর চুম্না থোংগদবনি। অহিংবা উহৈ নৎত্রগা মনা-মশিং চাদ্রিঙৈ মমাঙদা শেংনা চামথোক্কদবনি। লেমহৌবা চীঞ্জাকশিং থম্বা মতমদা রুম টেম্পরেচরদা থল্লোইদবনি। রেফ্রিজরেটরদা থুনা হাপচিনহৌগদবনি।

তীল-কাঙ চীকহল্লোইদবনি— তীল-কাঙশিং লৈবা মফমদা চঙবা তারগদি ইন্সেক্ট রিপেল্লেন্ট শীজিন্নগদবনি। য়ারগদি অশাংবা খোঙ্গ্রাউ অমদি খুদাঙ চোনবা ফুরীৎ লীৎকদবনি।

মণিপুর কোলেজতা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টর স্পিকর খেমচান্দনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

মণিপুর কোলেজ কেম্পসতা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টর ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা য়েংশিনখ্রে।

ক্বারন্টিন সেন্টর য়েংশিনবা লাকপদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবদা, মপান ষ্টেট কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা লমদমসিগী মীওইশিং পুশিল্লক্লবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। শিংজমৈ এ সীগী মনুংদগী মীওই কয়া মপান ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরি। চাউরাক্লা মীওই ৩০২ রোম পল্লমগনি হায়না পারি। মীওইশিং অসি লাকপা মতমদা লৈনবা ক্বারন্টিন সেন্টর মণিপুর কোলেজ কেম্পসতা থৌরাং তৌদুনা থম্বনি। মণিপুর কোলেজদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা লাক্কদৌরিবা শিংজমৈ এ সীগী মীওইশিং অসি থম্নবা থৌরাং তৌরি।

মণিপুর কোলেজদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টর অসিগী ওইনদি লৈঙাক্তগী মতেং লৌররোই। শিংজমৈ এ সী মনুংগী মীওইশিংনা খায়নবা শেনফমশিংনা ক্বারন্টিন সেন্টর অসি মেনেজ তৌনবগীদমক থৌরাং তৌরি। হৌজিক ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা মীওই অনী থম্বা হৌরে। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈগদৌরিবা মীওইশিং অসি য়েংশিন্নবা মেদিকেল ষ্টাফ অমদি ভলন্টিয়র কয়াসু শেমশাদুনা লৈরি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌজিক অৱাবা মায়োক্লরিবা কয়া অসিদা অমগা অমগা মতেং পাংনবা তাই। ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা লৈগদৌরিবা মীওইশিংগীদমকসু তঙাইফদবা থৌরাং খূদিংমক তৌগনি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা ঐখোয় খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং স্পেসল ট্রেনদা পুরক্লবগী থৌরাং কয়াসু পায়খৎখ্রবনি। পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংনা মফম অসিদা য়ৌরকপা মতমদা তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাং খূদিংমক মাঙজৌননা লৌখৎপা তাই। তঙাইফদবা থৌরাং পুম্বা মতম চানা লৌখৎতুনা মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং য়ৌরকপা মতমদা মাঙজৌননা মেদিকেলগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং য়াওনা শেম-শাবা চঙই। কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী য়াম্না তঙাইফদবা থৌদাং অমনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসিগা ঈরোয়ননা ঐখোয় খূদিংমক্লা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু লৌমিন্নদুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

‘পেত্রোল অমদি দিজলগী এক্সাইজ দ্যুটি ৱাংখৎলকপা কন্দেম তৌই’

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

পেত্রোল অমদি দিজলগী এক্সাইজ দ্যুটি ৱাংখৎলকপা কন্দেম তৌই হায়না ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন নেসনল ৱার্কিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসকী অচৌবা চৈথেং অমা মায়োক্লদুনা লৈরি। মীয়ামদা অৱাবা কয়া থেংনরিবা ফীভম অমনি। লোকদাউননা মরম ওইরগা শেল-থুমগী ফীভমসু য়াম্না শোকচিল্লিবনি। মরক অসিদা পেত্রোল অমসুং দিজলগী এক্সাইজ দ্যুটি হেনগৎলকপসি য়ানিংদে। লায়রবা মীয়ামনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। হৌজিক লোকদাউন অসিনা মরম ওইরগা পোৎচৈগী মমল য়াম্না ৱাংখৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পেত্রোল অমসুং দিজলগী এক্সাইজ দ্যুটি হেনগৎখিবা অসি হন্থহন্নবা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি। লৈঙাক অসিগী এন্টি পিপল ওইবা খোঙথাং অসি এ আই ৱাই এফনা য়ানিংদে। মে ৮দা এ আই ৱাই এফ নেসনল ৱার্কিং কম্মিটিনা প্রোটেষ্ট চত্থনবসু লেপ্পবা লৈখ্রে। পেত্রোল অমসুং দিজলগী এক্সাইজ দ্যুটি হেনগৎলকপা অসিনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগনি। মীয়ামদা পোৎচৈগী মমল তানা ফংহন্নবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙফম থোকই। কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং ওইনা লোকদাউন থমখিবা অসিনা অৱাবা ওইরি হায়রি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৯।০৫।২০২০ ইং, থাংজা; অয়ুক পুং ৯.০৩ ফাওবা কালেনগী ১৭নি পাল্লি, মতুং ১৮নি পাল্লনি।

মেষ: ঙসিসু থৌনা লৈবা অমদি থিবা হূম্বা কনবনা শোইদনা থৌ পাংবা অমদি শেলথুমগী লমদা মাই পাকচবা ওইগনি। য়েক্লবা অমদি নক্লবনা ইকাইবা নংহনবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা ঙাংথোকপা লুই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: ললোন-ইতিক অমদি লৌশিং তানবা থবক্তা লেম্নমক মাই পাক্কনি। অরং-অরাক ফংবগুম ইকাই খুন্নবা ফংগনি,পাউসু নুংঙাইবা তাগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

মিথুন: লেংদবা লন তানশিনবা কান্নগনি, পুক্লিং ৱাগনি অমদি ললোন ইতিক্তি কান্নগনি। মীৱা লৌগনু, ঈথক-ঈৱাংদা পুক্লিং লুপকনু অমদি হুদৈ চেকশিল্লু-শাফগনি
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: অফবা থবক্তা শেল-থুম থাদবা কান্নগনি অমদি লৈঙাক্কী লমদা হনবা লৈতনা মাংলোমদা চংশিনবা লেপকনু। থেংলপ্পা নুংঙাইবা ফংজগনি। অশাওবদি মাংওইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম মাংদুনা তোক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

সিংহ: ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা য়েক্লবা লৈরম্বসু লাইনা লাকশিনবা ঙমগনি অমদি থিবা হূম্বসু লেপকনু-অফবা মহৈ ফংগনি। নথক থোংবগা অৱাই-অখুম তৌফদে।
লৈশা পাখংশিংগী - অরানবনা অচুম শাগনু
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং

কন্যা: থেংলপ্পা কান্নবা অমদি নুংঙাইবা খরদি ফংজগনি। মীঙোন্দা লৈখিবা শেলথুম্নচিংবা থৌশিনবা কান্নগনি। অচুম্বনা মাই পাক্কদবা অমদি মরুপ্পা চানবীবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

তুলা: হেন্না অশা তৌগনু মদুনা নত্তবা পাম্বেদা পুক্লিং চংলক্কনি। অনম তানবদি পামদবা নংবা য়াই অমদি খোইরাংলদি খৎন-চৈনবা নংগনি। মী লোইনবা নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্লিং ঈংথৌ
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

বৃশ্চিক: মীচং য়াম্‌গনি, মীকোক থোংগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা য়েক্লববু মাইথিবা পিঙমগনি অমদি মীংচৎ ফংবা য়াই। অদুবু খন্থদবনা মরুপকদি নুংশিনবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্লিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

ধনু: অনা-অয়েক কোকচবা, অফবা মরুপকী মতেং ফংজবা অমদি অচুম্বা শাজৎনা মাই পাকচবা ওইরগনি। লাংতক্লবদি থাদোকউ অমদি অরং-অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা য়াম্না ঙাংগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মকর: লৌশিং চাওবা লোইনৌ অমদি মরুপ মপাংগা অনম তান্নদবা ফগনি। লন চংবা, নিংবা মপা চাবা অমদি অনিংবা থৌ পাংজবগী নুংঙাইবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং

কুম্বা: খোইরাংবা ফাথৌ অমদি নথক থোংবনা ঙাংবা থওইদবা তৌগনুকো। অদুবু লেপ্পা লৈতনা নিংহন্নদনা পাংবা থবকশিংদি মহৈ য়ানগনি । শেন্দোং ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

মীন: থেংলপ্পা ওইজ ওইথক ফংজগনি, অফা অপুন্নবা লৈরম্বসু কোকচগনি অমদি চাদিং হন্থগনি। ৱানোম-থৌনোমদি কান্নরোই অমদি মরুপ হেন্না থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মী মরক্তা লৈবগী পোংবা ঙম্মিনিকো নখোয়, মী মরক্তা লৈরমদ্রগদি হুইস ! হায়সিনি

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

কৈশাম কুবের

লমদম অসিগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট

“আর্টিষ্ট অনী ষ্টেজদা দাইলোগ তৌনরিঙৈদা আর্টিষ্ট অমনা মহাক্কী খুমগদবা দাইলোগকী মতাংদা শুখুম খুমলকখিদনা তুমিন্না উংদুনা লৈখি। দাইলোগ তৌনবগী তাঙ্কক লোয়রদুনা মেকঅপ রুমদা চঙলক্লবা মতুংদা অতোপ্পা আর্টিষ্ট অদুনা মীয়াম মমাংদুদা ঐনা দাইলোগ হায়খ্রবা মতুং তুমিন্না লৈদুনা শুখুম খুমদ্রিদুবু করিগীনো হায়না হংলুবদা দাইলোগ খুমলকখিদবা আর্টিষ্ট অদুনা হায়রকখি ‘ঙাইখোদা, দাইলোগকা লায়রি য়ুমদা হয়েং মরুপকী পৈশা হুন্নবা লৈহৌদে!’ অসুম্না আর্টিষ্ট কয়ানা মীয়ামগী অৱা-নুংঙাই কয়াদা শরুক য়াদুনা মায়থোং মকা লামহল্লবসু লিশাং শিংনা চহী কয়াদগী আর্টিষ্ট মশাগী থম্মোয়নুংদা কপচবা আর্টিষ্ট কয়া লৈরি। ঙসিসু উবিনবা কনা লৈতবনা অদুমক থম্মোয়নুংদা কপ্তুনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।”

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা আর্টিষ্ট কয়াদসু চাউরবা চৈথেং পীরি। অদুবু আর্টিষ্ট অমা ওইরুবনা মাইথোংদা অদুমক মোমোন-মীনোক নোক্তুনা হিংনবা মানা-মানা ঙমজবা তৌবা য়াবা থবক তৌদুনা হিংনবা হোৎনরি। কৈশাম কুবেরসু হোৎনবা কনবা, অখাঙ কনবা আর্টিষ্টশিং অদুগী মরক্তা অথোইবা মীয়াম্না শকখঙলবা আর্টিষ্ট অমনি।

কৈশাম কুবের (৬২) ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা তোপ খোংনাংমখোংদগীনি। অপোকপা কৈশাম গৌরমনি অমদি অপোকপী কৈশাম ওংবি লৈরিকমচা অনীগী মচা মঙা পোকচবগী মনুংদা খ্বাইদগী অতোনবনি। কুবের অমদি লোয়নবী কৈশাম ওংবি পুর্ণিমা অনীনা মচানুপা কাপিল, মচানুপী কপিলা অমসুং মচানুপা কৃপা মচা অহুমদা অচৌবা মঙলান কয়া থমহৌরি। মশামক আর্টস ষ্ট্রিমদা গ্রেজুএসননি। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা সবজেক্টশিংদা সর্টিফিকেট কোর্স অমদি দিপ্লোমা কোর্স কয়াসু তৌখিবা লৈখ্রে। থিয়েটরগী শো কয়াসু মালেমগী লৈবাক কয়াদা চৎতুনা মণিপুরগী ফজরবা দ্রমা কয়াসু উৎখ্রে। কুবের অঙাং ওইরিঙৈদগী য়াম্না ইকাই থিগনবা অঙাং ওইনা হৌরকখি। লিলা, দ্রামা, নোকফদে অমদি ফিল্মনচিংবদা এক্ত তৌগনি হায়বসি মঙদা ফাওবা মঙখিবা লৈতে। মরমদি এক্ত তৌবদি লায়রদনা ষ্টেজ কাদুনা শৈরেং থিনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। ক্লাস ৫ কারিঙৈ মতমদা ষ্টেজদা থোক্তুনা শৈরেং অমা থীবদা ইকাইবনা হেনমনখিবনা “ঙসি ঐনা থিজগদৌরিবা শৈরেংগী মমিংদি ‘মীওইবা’ হায়রদুনা শৈরেং ৱ্রেং-ৱ্রেং থীরল্লগা চেম্থোরকখি। লমদম অসিগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অমা ওইবখক নত্তনা হিংনবা হোৎনবদা লৈ থানবা লৈবাক্লা শাবা গমলা, চফু, ইমোইনু ঈমাগী মিতম অমদি ক্রাফকী ওইবা খুদোল তৌবা য়াবা পোৎশক কয়া শারি। মদুদগী ফংলকপা শেনফমনা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিন তম্নবা হোৎনৈ। আর্টিষ্ট অমা ওইবত্তা নত্তনা ‘মিরাংদা থূরবা তিল’ হায়বা শৈরেং ৪০ য়াওবা শৈরেং লাইরিক অমদি মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা পাউচেশিংদসু শোর্ট ষ্টোরি ৪৩সু ফোঙখ্রে। ইবা পামজবনা আর্টকী লম্‌দা চঙলকখিবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ক্লাস ৭ কারকপা মতমদগী শৈরেং ইবা হৌরকখি। পব্লিক ক্লব দ্রামা এসোসিয়েসনদা লৈশাংথেম ধনবিরনা পুশিন্দুনা মাইবম সুরসেন্টনা শিন্দুনা কুমজা ১৯৮২দা পাঙথোকখিবা থিয়েটর ৱর্কশোপ অমদা অহানবা ওইনা থিয়েটরগী ট্রেনিং তৌবা হায়বদু ওইরকখি। ইষ্টর্ন দ্রমাটিক য়ুনিয়ন (ইদু)দা ‘অচাকপা মৈবুল’ হায়বা দ্রামা অমদা ইহান হানবা ওইনা অহল অমগী রোলদা এক্ত তৌবা হৌরকখি। আর্টিষ্ট হায়বসিদি আর্টকা মরী লৈনবা হীরম খুদিংদা পর্ফেক্ট ওইদ্রগসু খরা-খরদি লোয়না খঙবা মথৌ তাই। জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমিদসু তল্লকখি। ঙসি ফাওবদা চাউরাক্লা দিজিটেল ফিল্ম ৪০, নোকফদে ভিদিও ফিল্মদা অহুমশুবা তাঙ্ককতগী ঙসি ফাওবা য়াওদুনা লাক্লি। ওদিওগী ওইবা নোকফদে সেরিজদদি অয়াম্বা সেরিজদা শরুক য়াখি। লোয়নন্না শুমাং লিলা ১৬, থিয়েটর প্লে ৫০ অমদি ষ্ট্রিট প্লে কয়াদসু এক্ত তৌখ্রে। লোয়নন্না প্লে ৯ দিরেক্ত তৌখ্রে। প্লে ৯ অসিগী মনুংদা মশানা ইজবা প্লে খরসু য়াওখি। মদুগী মনুংদা ‘সনাগী তেনৱা’ মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা প্লে অমা ওইখি। থিয়েটরগী ওইনা বেষ্ট এক্টর অনীরক, বেষ্ট সপোর্টিং, মল্ল-মল্ল লৈনুংশিং টাইটল য়াওনা বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্টরনচিংবা এৱার্দ অমদি এচিভমেন্ট কয়া ফংখ্রে।

মণিপুরদা লৈরিবা আর্টিষ্ট অয়াম্বদি লৈত-লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপা ঙাক্তনি। লোয়নন্না পামজনা চঙশিল্লিবা লম্বী অসিদা সীজন ওইবা লম্বী অমসু ওইবনা অৱাবা কয়া থেংনরি। য়াম্না নুংঙাইতবা অমনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরক্লম্বা ওজা কয়া ঙসিদি অহল ওইরক্তুনা ৱানা লেনবা কয়া য়াওরি। অহল ওইশিল্লকপা হায়বসি য়াম্না পুক্লিং নুংশিবা মতমনি। মরম অদুনা মখোয়গীদমক লৈঙাক্লা অখন্নবা আর্টিষ্টশিংগী ওইবা ৱেলফেয়র স্কিম কয়া পায়খৎপিদুনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোই অমনা ফংলিবা থাগী তোলোপকুম্না ফংদ্রগসু থা-থাগী ওইবা শেলগী মতেং খরা-খরা পাংবিরবদি আর্টিষ্টশিংগী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

আর্টিষ্ট অমা ওইনা থম্মোয় শেংবা অমদি হোৎনবা কনবা য়াম্না মথৌ তাই। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবিগনু। লৈনমবু চেল্লবদি য়ূমগী মনিংদা শাৎকেরা, লোকখাদা শাৎকেরা, লৈনম অদু কদাইদগী লাকপনো হায়বসি শোয়দনা থিনরক্কনি। মচু কয়ানা লৈতেংদুনা লৈশক ফনা ফজরগসু চেনা শাবা গুলাব কৈদৌঙৈদসু লৈনম চেল্লোই। ৱাফম অসি নৌনা হৌগৎলক্লিবা আর্টিষ্টশিংনা খঙজিনবা তঙাইফদে। কুবেরনা খ্বাইদগী পামজবা আর্টিষ্টতি আর্টপু পামজনা থম্মোয় শেংনা আর্ট তৌরিবা আর্টিষ্টশিংনি। খ্বাইদগী পামজবা শৈশকপীদি চোংথাম কমলা, লাইশ্রম মেম্মা, অমদি শৈশকপনা ওজা পহারি। পামজবা এঞ্জাংনা ইচম-চম্মা থোংবা কাংশোয়নি। ঙসি মীয়াম্না নুংশিবিবা অমদি শকখঙবিরকপগী ক্রেদিট য়ূম্নাম রাজেন্দ্র, নিলধজ খুমন, থৌদাম রোহিনিকুমার তাকপী তম্বিরকপা ওজাশিং অমদি মীয়ামদা পীনিংই। লোয়নন্না মহাক্কী লোয়নবীনা মতম পুম্বদা সপোর্ট তৌরকপনা আর্টকী লম্বী অসিদা চৎপা ঙম্বনি হায়নসু পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা